## লন্বী থিংজিনখিবদগী সেম কয়া ট্রক মনুংদা পৎতুনা মাঙলে

স্রিনগর, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
স্রিনগর-জম্মু নেসনেল হায়ৱেদা পোৎ পুবা ট্রকশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমজিনখিবনা মরম ওইরগা ট্রকশিংদা হাপ্পুনা পুরকখিবা টন কয়াগী ওইগদবা সেমশিং পৎতুনা মাঙলে হায়রি।
রাজস্থান, হরিয়ানা অমদি জম্মু অমসুং কাস্মিরদগী লাকখিবা ট্রক কয়া চয়োল অমরোম লন্বীদা পন্দুনা লৈরকপদগী ট্রক অদুদা পুরকখিবা সেমশিং পৎশিনবা হৌরকখিবনি। লন্বী চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমখিবনা মরম ওইরগা কিলোমিটর ৪০ রোম শাংনা ট্রক কয়া পরেং লেঙদুনা লৈরি। হায়ৱে অসিদা অতোপ্পা গাড়ীশিংদি চৎথোক চৎশিন তৌবদা অয়াবা পীখ্রবসু পোৎ চৈ পুবা ট্রকশিং চৎপা অথিংবা থল্লিবা অসি মরম চাদে হায়না ট্রক দ্রাইভরশিংনা ফোঙদোরক্লি।
অমরোমদা, জে এন্দ কে ট্রাফিক পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ ট্রাফিকনা সেম থারিবা মীওইশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা উন্নদুনা ৱারী শানখ্রে। ৱারী শানখিবা অদুদা সেম পুবা ট্রকশিং অথুবা মতমদা হায়ৱে অদু ফাওদুনা চৎপা য়াহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরমখ্রে হায়রি।
অমরোমদা, পঞ্জাবতগী বিক্রমজিৎ কৌবা ট্রক দ্রাইভর অমনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী ট্রক অদুদা সেম টন ২০ হেন্না য়াওরি। সেমশিং অদু উট্টর প্রদেশতা য়োন্নবগীদমক পুরকখিবনি। অদুম ওইনমক ট্রাফিক পুলিসনা হায়ৱে ফাওদুনা চৎপদা অথিংবা থল্লকপদগী মখোয় লন্বীদা পন্দুনা লাকখিবনি। মখোয়না লন্বীদা লৈরক্লিবা অসি চয়োল অমরোম হেল্লে হায়রি।

## দলিট মহৈরোয় অমা ওজানা ফুবদগী শিরে

লক্ষনৌ, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
উট্টর প্রদেশকী ঔরায়া দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মফম অমদা মশাগী চহী ১৫ রোম শুরবা ক্লাস ১০ তম্লিবা দলিট মহৈরোয় অমা মহাক্না তম্লিবা স্কুল অদুগী ওজানা তমথিনা ফুখিবা নুমিৎ অদুদগী ১৯ শুবা নুমিৎতা মহৈরোয় অদু লৈখিদ্রে হায়রি।
রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মশানা মশাবু অৱাংবা থাক্কীনি হায়না খঞ্জরিবা ওজা অদুনা লৈখিদ্রবা নিখিট দোরে কৌবা দলিট মহৈরোয় অদুবু ৱাহৈ অমগী বনান লান্না ইরকই হায়দুনা তমথিনা ফুখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মহৈরোয় অদুগী মমা মপানা থা অসিগী ৭ তা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন তৌখি। মহৈরোয় অদুনা নুমিৎ অদুদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না স্কুল অদুদা পাঙথোকখিবা সোসল সাইন্সকী টেষ্টতা বনান অমখক লানবগীদমক মহাকপু চৈনা কননা ফুবগা লোয়ননা মখোঙনা কাওবদগী মহাক ৱাখল মাঙখি। মহাক্না ৱাখল লাকপদা স্কুল অদুগী মনাক নক্না লৈবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর অমদা লৈরমখি হায়রি।
অমরোমদা, লৈখিদ্রবগী মপানা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ অদুদগী মহাক্কী মচাগী হকচাংদা লৈখিবা অশোকপশিং অদু ফনবগীদমক হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথুখি। অদুবু মহাক ঙরাং নুমিদাং লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

## কোংগ্রেসতগী তোকখ্রবা সিনিয়র পোলিটিসিয়ন গুলাম নবি অজাদকী অনৌবা পার্টিগী মমিং লাউথোকখ্রে

জম্মু, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
কোংগ্রেসতা মতম শাংনা থবক তৌদুনা লাকখ্রবা মতুং মশাগী পেন্দবা খরনা মরম ওইরগা পার্টি অসিদগী তোকখ্রবা জম্মু অমসুং কাস্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর গুলাম নবি অজাদনা মহাক মশাগী ওইবা অনৌবা পার্টি অমা শেমগৎখিবগা লোয়ননা নৌনা শেমখ্রবা পার্টি অদুগী মমিং ঙসি লাউথোকখ্রে হায়রি।
নৌনা শেমখ্রবা দেমেক্রেটিক অজাদ পার্টি হায়না মিংথোনবা পার্টি অসিগী মমিং লাউথোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা গুলাম নবি অজাদনা ফোঙদোকখিবদা নৌনা শেল্লবা পার্টি অসি সেক্যুলর, দেমোক্রেটিক অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টতা মিৎয়েং থল্লগা শেমখিবনি। পার্টি অসিনা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা স্পিসল ষ্টেটস অমুক লৈহন্নবা অমদি ষ্টেটহুদ ফংহনবা হায়বসিদা অহানবগী ওইনা মিৎয়েং থল্লগা থবক তৌগনি। পার্টি অসিগী ওইবা মচু ৩ গী ফিরাল অমসু লৈরে। ফিরাল অসিগী মচুনা হঙ্গামপাল, অঙৌবা অমসুং হিগোকনি।
মহাক্কী পার্টি অসিনা জম্মু অমসুং কাস্মিরবু ষ্টেটহুদ ফংহন্নবা থবক তৌবগা লোয়ননা নহা কয়া থবক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনগনি। অনৌবা পার্টি ওইবনা জম্মু অমসুং কাস্মিরগী মীয়াম্না মহাকপু পুক্নিং থৌগৎপীয়ু। পার্টি অসি নত্তনা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা অওনবা অমত্তা পুরকপা ঙক্লোই হায়রি।
মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস পার্টিদগী মহাক্না তোকখিবা অদুগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরি। কোংগ্রেস পার্টিদা লৈহৌরিবা মশাগী ওইজবা থিবা লুচিংবা খরনা মীয়াম মমাঙদা মহাকপু লান্না উহন্নবা হোৎনরি। মহাক্না কোংগ্রেসতগী তোকখ্রবা মতুং থা অমরোম অসিদা সোসল মিদিয়াদা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরক্লি। অদুবু কোংগ্রেসতা লৈহৌবা লুচিংবশিংনা কাওরোইদবদি কোংগ্রেস পার্টি অসি সোসল মিদিয়া নৎত্রগা কম্প্যুটরনা শেমখিবা নত্তে, ঐখোয়গী ঈনা শেমখিবনি। কোংগ্রেসতগী মহাক্না তোক্লবা মতুং ঙসি ফাওবদা পার্টি অদুগী ফত্তনবা ঙাংবা লৈত্রি হায়রি।
পনবা য়াবদি, কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীগী মপুং ফাদবা ৱাখল্লোন অমদি ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোননা মাং থারগা থবক তৌরকপদগী পার্টি অদুদগী মহাক তোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।



## বিলকিস বানোবু পুক্নিং থৌগৎতুনা রেল্লি চৎনবা হোৎনখিবা মীওই ৪ পুলিসনা ফাজিনখ্রে

গোধ্রা, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০০২ দা থোকখিবা গুজরাট রাইওটকী থৌদোক্তা রেপ ভিক্টিম ওইহৌরবী বিলকিস বানোবু পুক্নিং থৌগৎপা উত্তুনা রেল্লি চৎনবা হোৎনখিবা সোসল এক্টিভিষ্ট সন্দিপ পান্দে য়াওনা অতোপ্পা এক্টিভিষ্ট ৩ গুজরাট পুলিসনা দিটেন তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।
রামোন মগসেসে এৱার্দ ফংখ্রবা পান্দে অমসুং অতোপ্পা সোসল এক্টিভিষ্ট খরা বিলকিস বানোবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা বিলকিস বানোদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না মিংথোনবা রেল্লি অমদা শরুক য়ানবা হোৎনখি। হিন্দু মুস্লিম এক্তা সমিতিগী বেনর মখাদা ঙসি দাহোদ দিষ্ট্রিক্টতগী মখোয়গী খোঙচৎ অদু শেম শাখিবনি। খোঙচৎ অসি ওক্টোবর ৪ দা অহমদবাদতা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি। অদুম ওইনমক খোঙচৎ অসি চৎপা হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা সন্দিপ পান্দে অমদি অতোপ্পা এক্টিভিষ্ট ৩ পুলিসনা দিটেন তৌদুনা থমখিবনি হায়রি।
অমরোমদা, পুলিসনা এক্টিভিষ্টশিং ফাজিনখিবগী থৌওং অদুবু হিন্দু মুস্লিম এক্তা সমিতিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফাজিন্দুনা থল্লিবা এক্টিভিষ্টশিং অথুবা মতমদা থাদোরক্নবা দিমান্দ তৌরি। পুলিসনা এক্টিভিষ্টশিং ফাজিনবগী থবক চথরবসু বিলকিস বানোবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা চৎকদৌরিবা মীয়ামগী রেল্লিদদি অহোংবা লৈরোই হায়রি।
অমরোমদা, বি-দিভিজন পুলিস ষ্টেসন ওফিসরনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না সন্দিপ পান্দে অমসুং অতোপ্পা এক্টিভিষ্ট ৩ না মীয়ামদা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা কাঙলুপকী ওইবা নুংঙাইনদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবা হোৎনরম্বগীদমক মখোয়বু ফাজিনখিবনি। হৌজিকসু মখোয় ৪ পুলিস কষ্টদিদা লৈরি হায়না ফোঙদোরক্লি।
পনবা য়াবদি, হৌখিবা কুমজা ২০০২ দা থোকখিবা গুজরাট রাইওটকী থৌদোক অদুদা বিলকিস বানোগী ইমুং মনুংদা মীওই খরনা এটেক চথুরকখিবগা লোয়ননা থা মঙা নাউপুরিবী বিলকিস বানোবু মীওইশিং অদুনা গেং রেপ তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই ৭ শু হাৎখিবনি। থৌদোক্তুদা চেন্নবা মীওই ১১ সী বি আইগী স্পিসল কোর্টে অমনা মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীখিবনি অদুবু গুজরাট গভর্ণমেন্টনা কনভিক্ট ১১ অদু চহী অসিগী ওগষ্ট ১৫ দা জেলদগী থাদোরকখিবনি হায়রি।



## সিঞ্জো অবেগী অরোইবা মথৌ মঙম শরুক য়ানবা মোদি তোকিওদা থুংখ্রে

কোলকতা, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী) :
জপানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেগী অরোইবা মথৌ মঙমদা শরুক য়ানবগীদমক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ঙসি তোকিওদা থুংখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।
ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না জপানদা চহী খ্বাইদগী য়াম্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা লাকখিবা সিঞ্জো অবে হৌখিবা জুলাই ৮ দা কাউন্সিল্লর ইলেক্সনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা কেম্প্যেন অমদা ৱা ঙাংলিঙৈদা মশক খঙদবা মীওই অমনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং লৈখিদ্রবা জপানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবে অফবা মরুপ ওইদুনা লাকখিবনি।
সিঞ্জো অবেনা লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখিবদা লোয়ননা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা অফবা মালেম অমা ওইনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকখি। মহাক লৈখিদবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়রি। অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং জপানগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিও কিসিদাগা তোঙাননা উন্নগনি হায়রি।

## লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৪,১২৯ থেঙনখি, ২০ শিখি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৪,১২৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২০ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।
রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৪,১২৯ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৫,৭২,২৪৩ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৪৩,৪১৫ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ২০ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,৫৩০ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭২ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১০ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ২১৭.৬৮৬ কাপখ্রে হায়রি।

## জে পি নদ্দানা বি জে পিগী লুচিংবা ওইবগী মতম শাঙদোক্লবা য়ারি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০২২ দা অমিট শাহগী মহুৎ শীন্দুনা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থবক তৌবা হৌখিবা জে পি নদ্দাগী মতম শাঙদোক্লবা য়ানা লৈরি হায়না থাজবা য়াবা রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।
জে পি নদ্দা হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী জুলাই থাদা বি জে পিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা হাপখিবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ২০ দা মহাকপু পার্টি অসিগী ফুল টাইম প্রসিদেন্ট ওইনা থবক তৌবা হৌহনখিবনি। বি জে পিগী কন্সটিট্যুসন মতুংইন্না পার্টিগী প্রসিদেন্ট অসি থঙনা থঙননা টার্ম অনী ওইবা য়াই। চহী ৩/৩ গী ওইনা থৌ পুগদবা প্রসিদেন্টগী ফম অসিগীদমক জে পি নাদ্দা মতিক চাবা মীওইনি হায়না পার্টি মনুংদা খন্নরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পার্টি অসিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবগী ইলেক্সন পাঙথোক্লবা করিগুম্বা মখলগী থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎতবনা মরম ওইরগা মহাক্কী প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম শাঙদোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি। অমরোমদা, চহী অসিগী অরোইবা শরুক অমদি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ১০ গী এসেম্বলি ইলেক্সন লোইরবা মতুংদা বি জে পিগী অনৌবা লুচিংবা খনবগী চপ চাবা পাউ খঙগনি হায়রি।

## লৈবাক অসিদা লৈরিবা কোংগ্রেস ৱার্কর কয়ানা মহাকপু সপোর্ট তৌরি ঃ সসি থারুর

পলাকদ, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
মথং থাগী ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী অনৌবা লুচিংবা অমা খনবগী মীখলদা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা কোংগ্রেস পার্টিগী ৱার্কর কয়ানা মহাকপু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা সসি থারুরনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।
কেরলাগী পলাকদতা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা সসি থারুরনা হায়খিবদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা মহাকপু মপুং ফানা শৌগৎপগী খুদম মহাক্কী নোমিনেসন পেপর থাজিনবা নুমিৎতা মীয়াম্না শোয়দনা উবা ফংগনি। ষ্টেট অসিগী কোংগ্রেস ৱার্করশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী ওইনা লৈরিবা পার্টি ৱার্কর কয়ানা মঙোনদা থাজবা পীরকপদগী এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট পোলদা মহাক্না শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।
অমরোমদা, পাউ মীশিংনা হঙখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা থা অসি লোয়রবা মতুং কোংগ্রেস পার্টিগী অনৌবা লুচিংবা কনানা ওইগদগে হায়বদু ইলেক্সন মমাঙদা শোয়দনা খঙবা ঙমগনি। কোংগ্রেসপু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মীরেপ ওইনা থোক্লবা ফীরেপ লৌখিবনি। অদুম ওইনমক পার্টি অসিদা লৈরিবা সিনিয়র লিদরশিংদা মহাক্না নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে। ইলেক্সনদা মীরেপ ওইবা হায়বসিদি মী অমগী দেমোক্রেটিক ওইবা রাইটনি। কোংগ্রেস পার্টিবু মতম শাংনা লুচিংদুনা লাকখিবা সোনিয়া গান্ধী, রাহুল গান্ধী অমসুং প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রগা উন্নদুনসু হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে। মহাক্না মীরেপ ওইবা মতমদা করিগুম্বা মখলগী অকায়বা অমত্তা লৈতে হায়না মখোয়না ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।



## আর এস এস অমসুং বি জে পিগী লুচিংবশিংদা পি এফ আইনা টার্গেট তৌরি ঃ পুলিস সোর্ছ

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) না আর এস এস অমসুং বি জে পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংদা টার্গেট তৌরগা টেরোরিষ্টকী ওইবা থবক থৌওং কয়া চথনবা হোৎনরি হায়না মহারাষ্ট্র এন্টি টেরোরিষ্ট সক্বাদনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা দুসেরা থৌরমদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবা হোৎনবগী রিপোর্টশিং লৈরে হায়রি।
নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ওফিসশিংদা থিহুম্বগী থবক চথবা হৌখ্রে। লৈবাক শীনবা থুংনা মমাঙ চয়োলদা পি এফ আইগী মেম্বরশিংনা টেরর গ্রুপশিংগা খুৎশম্নরগা ইল্লিগেল ওইবা থবক থৌওং কয়া চথৈ হায়বগীদমক ওর্গনাইজেসন অসিগী লুচিংবা খরা ফাগৎপগী থবক চথবা হৌখ্রে। এন আই এগী সোর্ছ অমগী মতুংইন্না রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) গী নাগপুরদা লৈবা হেদক্বার্টরদা পি এফ আইনা টার্গেট থল্লি। পি এফ আইনা আর এস এসকী সিনিয়র লিদরশিংনা চথোক চৎশিন তৌরিবশিং অদু য়াম্না কুপ্পা মোনিটর তৌরি। অমদি দুসেরাদা মরুওইনা পি এফ আইনা টার্গেট তৌরগা ইল্লিগেল ওইবা থবকশিং চথরি। মমাঙ চয়োলদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১০ দগী এন আই এনা পি এফ আইগী মেম্বর ১০০ হেন্না ফাগৎখ্রে। মদুগী মনুংদা মহারাষ্ট্রদগী ২০ য়াওই হায়রি।
অসামদসু মমাঙ চয়োলদা পি এফ আইগী মেম্বর কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা অসামদা লৈরিবা মদ্রাশাশিং ফাওবা য়ৈখায় থিনগায়বগী থবক চথবা হৌরুরবনি। পি এফ আইনা টেরর গ্রুপ খরগা খুৎশম্নরগা থবক তৌই হায়না অসাম গভর্ণমেন্টনা মরাল শীখিবগা লোয়ননা হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিবু বেন তৌনবা হোম মিনিষ্ট্রিদা তকশিনবা লৈখ্রে। অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ফোঙদোকখিবদা পি এফ আইনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি ষ্টেট অমখক্তুনা থিংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা সেন্টরনা হীরম অসিদা অহেনবা মিৎয়েং চঙবগা লোয়ননা পি এফ আই বেন তৌবা মথৌ তায় হায়রি।
অমরোমদা, অসাম পুলিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদগী পি এফ আইগী মরুওইবা মেম্বর অমা ওইরিবা মিনারুল শৈখ ফারবা মতুং ৱাহং পাউহং চথবদা ওর্গনাইজেসন অসি অল কাইদানা বেক তৌবা টেরর সেলশিংগা মরী লৈনরম্বা য়াবা খুদম কয়া ফংবা ঙম্লে হায়রি।




## হোটেল রিসেপসনিষ্ট অনকিতা মীশিগী মতাংদা খোজং চঙশিনখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
উট্টরখন্দগী হোটেল অমদা রিসেপসনিষ্ট ওইনা থবক তৌবী মশাগী চহী ১৯ শুরবী অনকিতা মীশিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পুথোকউ হায়না মীয়াম্না দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি অমুক হন্না তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা খোঙজং চঙশিনখ্রে হায়রি।
ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী ভিক্টিম অনকিতাগী মমানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মচানুপীগী মীশি অসিবু ষ্টেট অসিগী লুচিংবশিংনা অরানবা মওংদা পুথোক্নবা হোৎনরি। মহাক্কী মচানুপীনা থবক তৌরম্বা হোটেল অদু বি জে পিগী মকোক থোংবা মীওই অমগী মচানুপানা চলাইবা হোটেলনি। বি জে পি লুচিংবা অসিগী মচানুপা পুলকিট অরিয়া অমদি হোটেল অদুগী মেনেজর অনীগা লৌতুনরগা মহাক্কী মচানুপীবু রেপ তৌরবা মতুং হাৎখিবনি। অদুবু হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি ফাওবা অচুম্বা ৱায়েল লৈঙাক্না পুথোকপা ঙমদবা অসি লাইবক থিবনি।
মহাক্কী মচানুপীবু পুলকিট অরিয়ানা নম্ফুদা কয়ারক হন্না নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনবগী থৌদোকশিং থোকপা লৈখ্রে হায়না হোটেলগী ষ্টাফ খরনা ফোঙদোরকপসু লৈখ্রে। বি জে পি লুচিংবা বিনোদ অরিয়াগী মচানুপা পুলকিদ অরিয়ানা মহাক্কী মচানুপীবু রেপ তৌদুনা হাৎখি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি।
অমরোমদা, মহাক্কী মচানুপী লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা মীওই খরনা মহাকপু কিহন খঙহনবগী থবক চথরি। মহাক্কী মচানুপীগী মীশি অদুগা পুলকিদ অরিয়াগা মরী লৈনদে হায়না মশক খঙদবা মীওই খরা মহাক্কী মনাক্তা লাক্লগা ফোঙদোক্লম্বগা লোয়ননা ঈশিংদা ইরাক্লরগা শিখিবী মহাক্কী মচানুপীগী মীশিগা পুলকিদ অরিয়াগা মরী লৈনহল্লিবা অদু তোক্কদবনি হায়না কিহল্লমখিসু হায়রি।
মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মচানুপীগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল অমা লৈঙাক্না পুথোক্ত্রিবা ফাওবা মচানুপীগী অশিবা হকচাং লৌরোই অমদি অরোইবা মথৌ মঙমসু পাঙথোক্লোই। মসি মহাক্কী লেংদ্রবা ফীরেপনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীওই কয়ানা গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা ওফিস মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখি।
অমরোমদা, মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মরক অদুদা পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা নুপীমচা অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখ্রে হায়রি। পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না নুপীমচা অদুগী পোষ্ট মোর্টেম লোয়রবা মতুং দাক্টরশিংনা পীরকখিবা রিপোর্টতা নুপীমচা অদু ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা শিখিবনি। অদুবু মহাক্কী মশাদা অশোকপা থাকফম কয়া তারম্বদি থেঙনখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা বি জে পিদগী তান্থোক্তুনা থল্লিবা বিনোদ অরিয়াগী মচানুপা পুলকিদ অরিয়া, হোটেল অদুগী মেনেজর সৌরব ভাস্কর অমসুং এসিষ্টেন্ট মেনেজর অনকিদ গুপ্তা পুলিসনা ফারে। মখোয় অহুম ৱাহং পাউহং চথরি হায়রি। অমরোমদা, উট্টরখন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা পুস্কার সিংহ ধামিনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং মরালগী চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়রি।




## হিমাচল প্রদেশতা থোকখিবা এক্সিদেন্টদা মহৈরোয় ৩ য়াওনা মীওই ৭ শিখ্রে

শিমলা, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
হিমাচল প্রদেশকী কুলু দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থোকখিবা গাড়ী এক্সিদেন্ট অমদা মহৈরোয় ৩ য়াওনা মীওই ৭ শিখ্রে অদুগা ১০ না অশোক অপন নঙখ্রে হায়না কুলু দিষ্ট্রিক্টকী এস পি গুরদেব শর্ম্মনা ফোঙদোরক্লি।
লাইবক থিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা এস পি গুরদেবনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবদা বঞ্জার সব দিভিজনগী মনুংচনবা ঘিয়াঘিদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা লম কোয়বা ৭ অদুগী মনুংদা ৩ দি আই আই টি বনারসকী মহৈরোয়শিংনি। মখোয়শিং অদুদি সৌরব, প্রিয়াঙ্কা গুপ্তা অমসুং কিরননি। মখোয় অহুম্ম দেল্লিদগীনি। অদুগা অতোপ্পা মরী অদুনা উট্টর প্রদেশতগী রিসব রাজ, অম্বিকা জে ইন, অদিত্যা অমসুং অনন্দ ময়ানি। অদুগা অশোক অপন নঙখ্রবশিং অদুনা হরিয়ানাদগী রাহুল গোস্বামি, কিসিটিজা অগর্ৱাল, প্রিয়াপল, ইসান গুপ্তনি। গাড়ী অদুবু থৌরকখিবা দ্রাইভর অজয় চৌহান, সেকেন্দ দ্রাইভর অভিনব সিংহ অমসুং নিসথা ভাদোনিসু অশোক অপন নঙখি। থৌদোক্তুনা শোক্লবা মীওইশিং বঞ্জর হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চথবা হৌখ্রে হায়রি।
অমরোমদা, বি জে পিগী এম এল এ বঞ্জাল সুরেন্দর সৌরিনা থৌদোক থোকফমদা হকথেঙননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা লৈরিবা অশোকপশিংগী ফীভম য়েংশিনখ্রে। অশোকপশিং অদু মখা তানা ট্রিটমেন্ট চথনবগীদমক কুলু রিজনেল হোস্পিটালদা রিফর তৌনবা এম এল এ অসিনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়রি।

